## য়ু এসনা প্রেসর পীবদা জি-২০ না য়াখ্রে

বর্লিন, মার্চ ১৯ :
মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা ইকনমিশিংনা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসনগা অহানবা ওইনা মীফম চথবদা মতম শাংনা চৎনরক্লবা ফ্রী ট্রেদকী ৱাফমদা পব্লিক সপোর্ট উৎপগী থৌওং য়াওহনখিদ্রে।

য়ু এস, চাইনা, মেক্সিকো, জর্মনি অমসুং ইন্দিয়া য়াওনা মালেমগী শেল-থুমগী লমদা মাঙজিল থারিবা লৈবাকশিংনা শেন্বা জি-২০ গ্রুপকী ফাইনান্স মিনিষ্টরশিং অমসুং সেন্ট্রেল বেঙ্ককী গভর্ণরশিংনা জর্মন টাউন বাদেন-বাদেনদা নুমিৎ নীনি চূপ্পা কূপ্পা ৱারী শানখ্রে।

থাংজ নুমিৎকী মীফমদু লোইরবা মতুংদা হৌনবী মতুং ইন্না থোকখিবা ৱারোল অমদা ইচম চম্না 'লল্লোন-ঈতিক্না ঐখোয়গী শেল-থুমগী ফীভমশিংদা তৌরিবা কন্ট্রিব্যুসন হেনগৎহন্নবা হোৎনবগী ৱাফমদা' রিফরেন্স পীখি হায়না সি এন এনগী পাউনা হায়খি।

ৱারোল অদুদা য়াম্না মরু ওই হায়না খন্নখিবা 'ঐখোয়না প্রোটেক্সনিজমগী মওং খুদিংমক থিংগনি' হায়বা ফ্রেজ অসিদি য়াওবা উখিদে। মসি কুমজা ২০১৬ কী জুলাইদা চাইনাদা পাঙথোকখিবা গ্রুপ অসিগী মমাঙগী কম্যুনিকেদদি য়াওখি হায়রি।

# ইজিপ্টকী নোর্থ সিনাই প্রোভিন্সতা ইজিপস্যন মিলিটরিনা এয়র রেইদশিং চথুদুনা মিলিটেন্ট ১৮ হাৎখ্রে



কাইরো, মার্চ ১৯ :
ইজরেল অমসুং পলেষ্টিনিয়ন মায়কৈগী গাজা ষ্ট্রিপকা লোন্নবা ঈরাং কনবা নোর্থ সিনাই প্রোভিন্সতা ইজিপস্যন মিলিটরিনা এয়র রেইদ কয়া চথুদুনা মিলিটেন্ট ১৮ হাৎখ্রে হায়না থাংজ নুমিৎতা মিলিটরি স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখ্রে।

'হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা চথুখিবা এয়র ষ্ট্রাইকশিংদা নোর্থ সিনাইগী সিটিশিং - অরিশ, রাফাহ অমসুং শৈইখ জুৱৈইদতা কা হেন্না খুদোংথীনিঙাই ওইরবা এক্সত্রিমিষ্ট এলিমেন্ট ১৪ হাৎখ্রে' হায়না স্পোক্সমেন টামর অল-রেফায়েগী ৱারোল পল্লদুনা সিনহুৱানা ফোঙদোকখি।

মার্চ থা হৌবদগী থাংজ নুমিৎ ফাওবদা নোর্থ সিনাইদা চথুখিবা সিক্যুরিটিগী কেম্পেন্যনশিংদা য়ামদ্রবদা মিলিটেন্ট ৩০ হাৎখ্রে, টেররগা মরী লৈনবা মরালশিংদা সসপেক্ট ১২৮ হেন্না ফাগৎখ্রে, স্মগলিং অমসুং ইলিগেল মাইগ্রেসন য়াওনা তোঙান-তোঙানবা চার্জ কয়াদা সসপেক্ট ৩০০ লোমসু রেইদ চথুদুনা ফাগৎখি, স্মগল তৌবদা শীজিন্নবা টন্নেল কয়া মাঙহন-তাকহনখি, এক্সপ্লোসিভ দিভাইস দজন কয়া পোকখায়হনখি অমসুং য়াম্লবা খুৎশু-খুৎলায় অমসুং এম্ম্যুনেসন ফাগৎখি।

ফেব্রুৱারী থাখায় চল্লকপদা সেন্ট্রল সিনাইগী মাউন্ট হালাল এরিয়াদা য়ামদ্রবদা ইজিপস্যন লান্মী অহুম লন্থীগী নাকলদা বোম পোকখায়বদা মখোগী আরমর্দ ভেহিকলদা হিট তৌবদগী শিখি। মতুং তাবা নোংমৈ কাপ্পবদা মিলিটেন্ট অহুমসু হাৎখি অমসুং অতৈ অহুম্না ফাখি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৩ গী ময়ায় চল্লকপদা মিলিটরিনা হান্নগী ইস্লামিষ্ট প্রসিদেন্ট মোহম্মদ মোর্সিবু মফম লৌথোকখিবদগী ইজিপ্টতা গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা চথুখিবা টেরর এটেকশিংদা পুলিসমেন অমসুং লান্মী চা কয়া শিখ্রে। মতমদুদা চহী অমা ফারক্লবা মোহম্মদ মোর্সিগী লৈঙাক্কী মায়োক্তা মীয়াম্না প্রোটেষ্ট তৌনরকখিবগী রেস্পোন্স ওইনা মিলিটরিনা মহাকপু মফমদগী চিংথুখিবনি।

তুংদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মোর্সিগী সপোর্টরশিংগী মথক্তা ক্রেকদাউন চথুদুনা সপোর্টর ১০০০ রোম হাৎখি অমসুং মহাক্কী সপোর্টর লিশিং কয়া ফাগৎখি। মফম তাখ্রবা প্রসিদেন্ট অদুগী মুস্লিম ব্রদরহুদ গ্রুপ্পুসু 'টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন' অমনি হায়না লাউথোকখি।

ইজিপ্টতা পাঙথোকখিবা টেররিষ্ট এটেক অয়াম্বা মরু ওইনা সিনাইদা চথুখিবা এটেকশিং ইস্লামিক ষ্টেটকী রিজনেল টেররিষ্টগ্রুপ শৌগৎপা সিনাইদা বেজ ওইবা গ্রুপ অমনা ক্লেম তৌখি।

মোর্সিবু মফমদগী চিংথুখিবা মতুংদা হান্নগী আর্মি চীফ অমসুং হৌজিক্কী প্রসিদেন্ট অব্দেল-ফাটাহ অল-সিসিনা লাউথোকখিবা লৈবাক অদুগী এন্টি-টেরর ৱারগী শরুক ওইনা হৌখিবা চহী খরসিদা সিনাইদা চথুখিবা সিক্যুরিটি কেম্পেন্যনশিংদা মিলিটেন্ট চা কয়া হাৎখ্রে অমসুং সসপেক্ট চা কয়া ফাগৎখ্রে।

হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা মিলিটরিনা পাঙথোকখিবা সিম্পোজিয়ম অমদা ইজিপ্টকী মিলিটরি ইন্টলিজেন্স চীফ জেনরেল মোহম্মদ অল-সাহাটনা হায়খি মদুদি, 'মার্টর'স রাইট' হায়না খঙনবা অচৌবা এন্টি-টেরর কেম্পেন্যন অমা সেপ্টেম্বর ২০১৫ দা হৌখিবদগী য়ামদ্রবদা কা হেন্না খুদোংথীনিঙাই ওইবা টেররিষ্ট ৫০০ হাৎখ্রে।

## জর্মনিনা নেটোদা 'অচৌবা শেনফমশিং' পীফম থোকই : য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প



ৱাশিংটন, মার্চ ১৯ :
বর্লিননা নেটোদা য়াম্লবা শেনফম অমা পীনিঙাই ওই অমসুং সিক্যুরিটিগা মরী লৈননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা শেনফমদুদগী হেন্না পীফম থোকই হায়না জর্মনিগী মায়োক্তা অকনবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লদুনা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা থাংজ নুমিৎতা হায়খ্রে।

ত্রম্পনা খ্বাইদগী নৌবা ত্বীটরগী অকনবা ৱারোল অসি মহাক্না ৱাশিংটনদা জর্মনিগী চান্সেল্লর এঞ্জেলা মর্কেলগা উনখিবা মতুং নোংমা লৈরগা ফোঙদোকখিবনি। উনবা অদুদা লুচিংবা অনীনা নেটো অমসুং দিফেন্সকী চাদিং য়াওনা অরুবা ইস্যু কয়াগী মতাংদা ইয়া য়াশিন্নবা য়াদবগী মওং উৎখি।

'জর্মনিনা নেটোদা য়াম্লবা শেনফমশিং পীনিঙাই ওই অমসুং লৈবাক অসিদা পীরিবা শেল য়াম্না চাদিং তৌবা পৱারফুল ওইরবা দিফেন্সকীদমক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা হেন্না য়াম্বা শেনফম পীগদবনি' হায়না ত্রম্পনা থাংজ নুমিৎতা ত্বীটরদা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী ৱারোল অদু অহানবদা মিদিয়াবু হুনবগা লোয়ননা হৌখি। 'নখোয়না শেমজিন-শাজিনবা পাউ কয়া তাজরসু ঐহাক্না জর্মন চান্সেল্লর এঞ্জেলা মার্কেলগা মপুং ফারবা মীফম অমা পাঙথোকখি' হায়না ত্রম্পনা ত্বীটরদা ফোঙদোকখি।

তৌইগুম্বসুং ইরাই নুমিৎতা জর্মনিগী ভেটেরান লীদর অদুনা থাজবা কয়াগা লোয়ননা থুংলখিবা মতুংদা চথুখিবা মীফমদুদা ওইরকখিবা ফীভমদু ত্রম্পনা ক্লেম তৌরিবসিদগী য়াম্না খেন্নরম্বা য়াই হায়রি। হৌখিবা চহীগী মীখলগী কেম্পেন্যনদা ত্রম্পনা মর্কেলবু কন্না ক্রিটিসাইজ তৌবদগী লাকখিবা নুংঙাইতবা ফীভম কোকহনবগী পান্দমদা এঞ্জেলানা ৱাশিংটনদা ত্রম্পকা উনবগী খোঙচৎ লাকখিবনি। জর্মনিদা রিফ্যুজিশিং চঙহন্নবা চান্সেল্লর মার্কেলনা লৌখিবা ৱারেপ্পু অচৌবা অশোয়বা অমনি অমসুং মদুনা জর্মনিবু মাঙহল্লগনি হায়না ত্রম্পনা মহাক্কী মীখলগী কেম্পেন্যনদা হায়খিবনি।

জোইন্ট ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ত্রম্পনা জর্মনিবু ফজদবা লল্লোন-ঈতিক্কী প্রেক্টিসশিং চৎথে হায়না মরাল শীখি অমসুং নেটোদা য়াওরিবা ৱাশিংটনগী মীচঙশিংদা ওনশিন্দুনা মমাঙগী চহী কয়াদগী পারগা লৈবাকশিং অসিনা অচৌবা শেনফমশিং পীনবা দিমান্দ তৌখি।

মর্কেলনা হায়খি, জর্মনিনা মিলিটরি চাদিং জি দি পিগী চাদা ২ হেনগৎহনবগী ৱাফম য়াখ্রে। মসি কুমজা ২০১৪ দা নেটোগী মেম্বর ষ্টেটশিংনা চহী ১০ গী মনুংদা য়ৌহনবা হায়না য়ানখিবনি।

ত্রম্পনা মহাক্কী কেম্পেন্যন মনুংদা য়ুরোপকী দিফেন্সকী চাদিংবু ইস্যু অমা ওইহল্লদুনা হায়খি মদুদি, দিফেন্সতা জি দি পিগী চাদা অহুমদমক হেন্না চাদিং তৌরিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা নেটোবু শৌগৎপদা শেল-থুমগী পোৎলুম কা হেন্না পুরি।

## পেরিসকী এয়রপোর্টতা হাৎখিবা মীওইনা 'অলাহগীদমক্তা শিনবা' থৌরাং তৌখি : প্রোসিক্যুটর

পেরিস, মার্চ ১৯ :
পেরিসকী ওর্লি এয়রপোর্টতা ফ্রেঞ্চ লান্মীশিংনা থাংজ নুমিৎতা কাপ্তুনা হাৎখিবা মীওই অদুনা মহাক 'অলাহগীদমক্তা শিনবা' মফমদুদা লৈরিবনি হায়না লাউখি অমসুং পেসেঞ্জরশিংদা কাপ্পবগীদমক্তা মহাক্না লান্মী অমদগী এসোল্ট রাইফল মুন্নবা হোৎনখি হায়না প্রোসিক্যুটর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ফ্রান্সতা পরিং নাইনা চথরকখিবা এটেকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবা এটেক অদুনা লৈবাক অসিগী অনীশুবা খ্বাইদগী মথৌ চিনবা এয়রপোর্টতা লৈরম্বা মীশিংবু তঙাই ফদনা শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখি অমসুং ফ্রান্সকী প্রসিদেন্সিয়ল মীখলগী কেম্পেন্যনদা সিক্যুরিটিনা মাঙজিল থাবা ইস্যু অমা ওইহল্লক্লি।

জিয়েদ বেন বেলগাসেম কৌবা এটেক্কর অদু থাংজগী অয়ুক্তা ওর্লি এয়রপোর্টতা থুংলখি। মহাক্না পেত্রোলগী কেন অমা য়াওবা বেগ অমা লংথবগা লোয়ননা এয়রপোর্টতুগী মিলিটরি পেত্রোলদা য়াওবা এয়রফোর্সকী নুপী মেম্বর অমা ফাখি হায়না পেরিসকী প্রোসিক্যুটর ফ্রান্সুআ মোলিন্সনা ফোঙদোকখি।

সর্ভিসকী নুপী অদুবু চুঙ্গৈ ওইনা শীজিন্নরদুনা মহাক্না নুপীদুগী মকোক্তা মহাক্কী এয়র পিষ্টল থমখি অমসুং মহাক্না লোয়নরিবা অতৈ লান্মীশিংদুদা 'নখোয়গী খুৎলায়শিং থাদোকউ, নখোয়গী নখুৎশিং নকোক্তা থমউ। অলাহগীদমক্তা ঐহাক মফমসিদা শিগনি। মীশি-মীনা কয়া থোক্কনি' হায়না লাউখি। মদুগী তুংদা অতৈ লান্মীশিংদুনা নোংমৈ কাপখি অমসুং বেলগামেমবু হাৎখি।

মোলিন্সনা হায়খি, নুপীদুগী ফামাস এসোল্ট রাইফল লাক্লবা হোৎনখিবা এটেক্কর অদু শাথিবা এটেক অমা পাঙথোক্লিংবগী ৱাখল চেনবা মাল্লি।

পুলিসনা মহাক্কী মশাদা কোরান অমা অমসুং শেল ওইনা য়ুরো ২৫০ য়াওরম্বা থেংনখি। মহাক্কী ময়ুমদনা পুলিসনা কোকেইন গ্রাম কয়া, থাংপাক অমা অমসুং ফোরন করেন্সি খরা লৈরম্বা থেংনখি হায়না মোলিন্সনা ফোঙদোকখি।

## এল ও সিদা ইন্দিয়ন ক্রুপশিংনা কাপ্পদা পাকিস্তানি নুপী অহল ১ শিখ্রে

ইস্লামাবাদ, মার্চ ১৯ :
ইন্দিয়ন ক্রুপশিংনা থাংজ নুমিৎতা কাইহৌরুবা তৌদনা সিজফায়র থুগায়রকপগী থৌওং অমদা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সি) পরিংগী কোট কেহটেরা সেক্টরদা মীচমশিংদা টার্গেট তৌদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে হায়রি।

ইন্দিয়ন ক্রুপশিংনা কাপশিল্লকপদুদা থন্দি কাসি ভিলেজগী চহী ৬০ শুরবী নুপী অমা মথ্বাই থাখ্রে হায়না থাংজ নুমিৎতা ইন্টর-সার্ভিসেস পব্লিক রিলেসন্স (আই এস পি আর) না থাদোরকখিবা প্রেস রিলিজ অমনা ফোঙদোকখি। পাকিস্তানি লান্মীশিংনসু ইন্দিয়ন ক্রুপশিংগী মায়কৈদা নিংথিনা খুৎ হনখি হায়রি।

চৈরকসিদা, আই এস পি আরগী মেজর জেনরেল অসিফ ঘাফুরনা হায়খ্রে মদুদি, এল ও সিদা চথরিবা সিজফায়র থুগায়বগী থৌওংশিং অসি পাকিস্তানি আর্মিবু টেররিজমগী মায়োক্তা শোক্লরিবা লাল অসিদগী পুক্নিং চেইথোক্লবা হোৎনরকপা অমা ওইবা য়াই। চাইনা রেদি ইন্টরপোলগী ইন্টরভিয়ু অমদা মহাক্না হায়খি মদুদি, কাশ্মির য়াওনা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানগা লৈনরিবা ইস্যু খুদিংমক ৱারী শানদুনা লৈখায় তানগদবনি অমসুং ঐখোয়না টেররিজম থেংনরিবসিদা অপনবা পীরোইদবনি। পাকিস্তানি সিটিজন খুদিংমক্না চাইনা-পাকিস্তান ইকনমিক কোরিদোর (সি পি ঈ সি) বু প্রোটেক্ট তৌনবা অচেৎপা ফীরেপ লৌরে হায়না আর্মিগী স্পোক্সমেন অসিনা হায়খ্রে।

## বোম য়াওই হায়বা নুপা অমা হ্বাইট হাউসকী চেকপোইন্টতা ফাখ্রে

ৱাশিংটন, মার্চ ১৯ : হ্বাইট হাউসকী চেকপোইন্ট অমা ফাওবা কার থৌজিল্লকখিবা অমসুং মহাক্কী ভেহিকলদুদা বোম অমা য়াওরি হায়না ক্লেম তৌখিবা মীওই অমা সিক্রেট সার্ভিসনা দিটেন তৌখ্রে হায়না সিক্যুরিটি ওফিসলশিংনা সি এন এনদা ফোঙদোকখ্রে।

ভেহিকলদুদা দিভাইস অমত্তা য়াওবগী ৱাফম কনফার্ম তৌখিদে তৌইগুম্বসুং থাংজগী অহিংদা হ্বাইট হাউসকী সিক্যুরিটি খুদক্তা অপগ্রেদ তৌখ্রে হায়রি।

থৌদোক অদু হৌখিবা নুমিদাংগী পুং ১১.০৫ তাবদা থোকখিবনি হায়না সিক্রেট সার্ভিসনা ফোঙদোকখি। থৌদোক্তু থোকপা মতমদা দোনাল্ড ত্রম্প হ্বাইট হাউসতা লৈখিদে, মহাক ফ্লোরিদাদা লৈবা মহাক্কী মার-এ-লাগো ইষ্টেটতা লৈ হায়রি।

## 'বৃটেনগী মতুংদা অতৈ লৈবাক অমত্তনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোক্লোই'



ব্রসেলজ, মার্চ ১৯ :
বৃটেনগী মতুংদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী অতৈ লৈবাকশিংনা ব্লোক অসিবু থাদোকখিগনি হায়বগী ৱানিঙাই ওইদে মরমদি ব্রেক্সিটনা মখোয়দা অসুম্না তৌবসি অফবা ওপসন অমা নত্তে হায়বসি উৎলগনি হায়না য়ুরোপিয়ন কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট জোন-ক্লোদ জঙ্করনা পাউচে অমগী ইন্টরভিয়ুদা ফোঙদোকখ্রে।

বিল্ট এম সোন্টাগ পাউচেনা করিগুম্বা অতৈ মেম্বর ষ্টেটশিংনা বৃটেনগী মতৌ তমদুনা য়ুনিয়ন অসিবু থাদোক্লগে হায়রক্লবদি করি ফীভম লাকপা য়াই হায়না হংবদা জঙ্করনা হায়খি, 'অসিগুম্বা ফীভম অমত্তা লাক্লোই মরমদি বৃটেননা তৌরিবসিনা মীপুং খুদিংমকপু য়ুনিয়ন থাদোকপা কান্নদে হায়বসি খঙহল্লগনি।' মদুগী ওন্ন-তৈনবদা, লৈহৌরিবা মেম্বর ষ্টেটশিংনা অমুক হন্না অমগা অমগা নুংশিনরগনি অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোক্নদনবা অচেৎপা ফীরেপশিং নৌহৌননা লৌহল্লগনি।'

ব্লোক অসিনা লৈরকপা চহী ৬০ শুরকপগা মরী লৈননা মথং চয়োলদা রোমদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফমদা ঈ য়ুগী লীদর ২৭ না 'য়ুরোপ অসি ঐখোয়গী কম্মন ফ্যুচরনি' হায়না লাউথোক্লবা থৌরাং তৌরি।

জঙ্করনা হায়খি, বৃটেননা হৌজিক নন-মেম্বর অমা ওইনা ট্রিট তৌবদা হৈনবা চঙগদৌরি। 'মেম্বর ওইবগুমসু তৌবা, ওইদবগুমসু তৌবসি ওইথোক্তে। য়ুরোপ্তুদি নহাক টেবলদা লৈরিবদু চাবা তাবনি নৎত্রগা নহাক টেবলদা ফমদবা তাই' হায়না মহাক্না মখা তাখি।

জঙ্করনা মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, হৌজিক লৈরিবা লৈবাকশিংসিগী মথক্তা তুংদা অতৈ লৈবাক কয়াসু ঈ য়ুদা য়াওরগনি। মসি মহাক্না ওফিসতা লৈগদবা মতম ২০১৯ ফাওবগী মনুংদা থোক্তবদি য়াই, মরমদি হৌজিক ফাওবসিদা কেন্দিদেট অমত্তা য়াওনবগী কন্দিসনশিং ফুলফিল তৌদে।

## ত্রম্প-জিনপিংগী মীফম মাঙওইননা রেক্স টিলরসননা বৈজিং খোঙচৎ পাঙথোক্লি



বৈজিং, মার্চ ১৯ :
চাইনাগী খোঙচৎতা বৈজিংদা লৈরিবা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট রেক্স টিলরসননা থাংজ নুমিৎতা চাইনিজ ফোরন মিনিষ্টর ৱাং য়িগা উনখ্রে অমসুং মীফম লোইরগা মখোয়নিগী ওইবা জোইন্ট প্রেস কনফরেন্স অমা পাঙথোকখ্রে।

য়ু এস অমসুং চাইনিজ মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি মদুদি, লাক্লিবা এপ্রিল ৬-৭ তা ফ্লোরিদাদা লৈবা মহাক্কী ৱিন্টর রিট্রিট মার-এ-লাগো মেন্সনদা পাঙথোক্কদবা নুমিৎ নীনিগী সম্মিটতা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপিংগী হোষ্ট ওইগনি। টিলরসনগী চাইনা খোঙচৎ অসি লাক্কদৌরিবা সম্মিট অসিগা মরী লৈনবা গ্রাউন্দৱার্কনি হায়বা লৌবা য়াই হায়রি।

চাইনিজ কম্ম্যুনিষ্ট পার্টিগী ওফিসল পাউচে পিপলস দেলিগী সিষ্টর পব্লিকেসন গ্লোবেল টাইমসকী মতুং ইন্না, টিলরসনগী চাইনা খোঙচৎ অসিনা য়ু এস-চাইনা মরীদা লৈরিবা নুংনাংবা কয়া হন্থহনবদা মতেং পাংলে।

গ্লোবেল টাইমসনা ৱাং য়িগী ৱারোল পল্লদুনা হায়রি মদুদি, লৈবাক অনীগী লুচিংবশিংগী মরক্তা ফোনদা ৱারী শানখিবনা নাকল অনীনা মখা তাবা অকুপ্পশিং পুথোক্লবগী গাইদন্স ওইখি।

দোনাল্ড ত্রম্পনা য়ু এসকী প্রসিদেন্সি পায়খিবদগী য়ু এস-চাইনাগী মরী অমম্বা অমনা কূপশিল্লকপগুম থোকখি। চাইনানা য়াম্না মরু ওই হায়না লৌবা ইস্যু কয়াদা য়ু এসনা হান্নদগী খেন্নবা মিৎয়েং থল্লকপা য়াই হায়বগী ঈঙ্গিৎ ত্রম্পনা পীখিবনি।

হৌখিবা থাদা জিনপিংগা অহানবা ওইনা ফোনদা ৱারী শানখিবদা ত্রম্পনা ৱান চাইনা পোলিসিদা থাজবা থমখ্রবসু মহাক্না মমাঙদা তৌখিবা, ঙাঙখিবা কয়ানা ওন্ন-তৈনবা থৌওং উৎখি। টাইৱানগা ৱারী শানদবা হায়বা য়ু এসকী চহী ৩০ শুরবা প্রোটোকোল থুগায়দুনা ত্রম্পনা হৌখিবা নবেম্বরদা মীখলদা মায় পাক্লবা মতুংদা টাইৱানগী প্রসিদেন্টগা ৱারী শানখি।

## নোর্থ কোরিয়ানা য়ু এসপু অকল-অরিং উৎপগী পোলিসি চৎথে হায়না মরাল শীখ্রে

সিওল, মার্চ ১৯ : নোর্থ কোরিয়ানা থাংজ নুমিৎতা য়ু এসপু পিয়োংয়াংগী মায়োক্তা অকল-অরিংগী পোলিসি চৎথে হায়না মরাল শীখ্রে হায়না লোকেল মিদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

রিপোর্টঅদুদা নোর্থ কোরিয়াগী ওফিসল দেলি রোদোং সিনমুন্না পিয়োংয়াংগী মায়োক্তা য়ু এসনা চথরিবা পোলিসি অসি 'অকল-অরিং অমসুং তাকু-তরাংগী থৌওংনি' হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা ৱাশিংটননা সোভরন্টি অমসুং ইক্বেলিটিগী আইদিয়া অসি ঈকায় খুম্নদে হায়খি।

'য়ু এসনা অকল-অরিং উৎপগী খোঙথাংবু পিছ লিংনবগী খোঙথাংশিংগী মনুং চন্না লৌখৎপা অচুম্বা খোঙথাং ওইনা উহন্নবা কন্না হোৎনরি' হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তারি।

রিপোর্ট অদু য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট রেক্স টিলরসননা মহাক্কী এসিয়া খোঙচৎ লোইশিনবা নুমিৎমক্তুদা ফোঙলকখিবনি। মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা টিলরসন্না টোকিয়ো অমসুং সিওলদা চৎখি অমসুং নোর্থ কোরিয়া থেংননবগী অনৌবা ষ্ট্রেটেজি অমা পুথোকপদা মিৎয়েং থমখি হায়না ইফে ন্যুজনা ফোঙদোকখি।

বৈজিংদা থাংজ নুমিৎতা চাইনিজ ফোরন মিনিষ্টর ৱাং য়িগা উনরবা মতুংদা টিলরসন্না কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা টেন্সন ৱাংখৎলক্লি ঙৈসিদা লমদম অসিদা মিলিটরি কনফ্লিক্ট থিংনবা তৌবা য়াবা খুদিংমক তৌগনি হায়বগী থাজবা পীখি।




## EMPLOYMENT NEWS

### Canara Bank Recruitment – 101 Manager, Application Security Tester & Various Vacancies – Last Date 05 April 2017

**Canara Bank Recruitment 2017**

Canara Bank invites application from Sportsperson for the post of 101 Manager, Application Security Tester & Various Vacancies. Apply Online before 05 April 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : CB / RP / 1 /2017

**Canara Bank Job Details :**
Post Name : Manager
No of Vacancy : 60 Posts
Grade Pay : Rs. 31705-45950/-
Post Name : Application Security Tester
No of Vacancy : 04 Posts
Grade Pay : Rs. 23700-42020/-

**Eligibility Criteria for Canara Bank Recruitment :**
Educational Qualification :
For Manager : Chartered Accountant/ MBA (Finance) / MMS (Finance) / Post Graduate Diploma with specialisation in Finance/ Economics Graduate and M.A (Economics)/ with a minimum 60% marks or Equivalent Grade or First Class (minimum 55% marks or equivalent Grade for SC / ST / PWD) with relevant experience.
For Application Security Tester : B.E. / B.Tech Degree or Post Graduate Degree in Computer Science/ Computer Technology / Computer Science & Engineering / Computer Engineering / Computer Science & Technology / Information Technology / Electronics & Communications with minimum 60% marks or Equivalent Grade or First Class (minimum 55% marks or equivalent Grade for SC/ST).

Nationality : Indian
Age Limit : Minimum & maximum age limit is 22 to 35 years for Manager & 20 to 30 years for Application Security Tester As on 01.03.2017
**Age Relaxation :** Other Backward Classes (Non-Creamy layer) candidates 3 years, Scheduled Caste / Scheduled Tribe candidates 5 years & ) Persons with Disabilities 10 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** The selection will be through Written Test, Group Discussion and/ or Interview.
**Application fee :** SC/ST/PWD candidates have to pay Rs.100/- & Rs. 600/- for all other through Online by using Debit Cards, Credit Cards, and Internet Banking. and for the post of Manager Security candidates have to pay Rs. 100/- through NEFT.

**How To Apply Canara Bank Vacancy :** Interested Candidates may apply Online through the website http://www.canarabank.com from 15.03.2017 to 05.04.2017. And for Manager Security candidates may apply in prescribed application form along with relevant documents & application fee receipt send to The General Manager CANARA BANK Recruitment Cell, H R Wing, Head Office, 113/1, Jeevan Prakash Building, J C Road Bangalore – 560 002 on or before 12.04.2017.
**Important Dates to Remember:**
Starting Date for Submission of Online Application : 15.03.2017
Last Date for Submission of Online Application : 05.04.2017
Last Date for Submission of Application from : 12.04.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Links : http://www.canarabank.com/media/4422/rp-1-2017-specialist-officers-advt-english.pdf
Download Application form Link : http://www.canarabank.com/media/4423/rp-1-2017-specialist-officers-manager-security-application.pdf
Download Challan form Link : http://www.canarabank.com/media/4424/rp-1-2017-specialist-officers-manager-security-payment-challan.pdf

**Apply Online :** http://ibps.sifyitest.com/cbrsvdstcmar17/

### RITES Limited Recruitment – 16 Technical Assistant, Engineer & CAD Operator Vacancy – Last Date 09 April 2017

**RITES Limited Recruitment 2017**

RITES Limited invites application for the post of 16 Technical Assistant, Engineer & CAD Operator on regular basis. Apply Online before 09 April 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt No : 24-27/17

**RITES Job Details :**

Post Name : Technical Assistant (Civil)
No Of Vacancy : 03 Posts
Pay Scale : Rs. 11670/-
Post Name : Engineer (Civil)
No Of Vacancy : 04 Posts
Pay Scale : Rs. 16974/-
Post Name : CAD Operator (Civil)
No Of Vacancy : 09 Posts
Pay Scale : Rs. 10344/-

**Eligibility Criteria for RITES Recruitment :**
Educational Qualification :
For Technical Assistant : Full time first class Diploma in Civil Engineering.
For Engineer : Full time First Class Degree in Electrical Engineering.
For CAD Operator : Certificate course in Draftsmanship in Civil Trade of 2 years duration from ITI" with 3 months "Certificate Course in AutoCad software" from a reputed training Institute

Nationality : Indian
Age Limit : maximum age limit is 32 years (As on 01.03.2017)

**Job Location : Haryana**

**Selection Process :** Selection will be through Written Test/ Interview.
**Application Fee :** There is no application fee.
**How to Apply RITES Vacancy :** Interested Candidates may apply Online through the website http://rites.com from 15.03.2017 to 09.04.2017. and send hard copy of Online application along with self-attested photocopies of relevant documents, experience certificate & two recent passport size colour photograph to Assistant Manager (P)/Rectt., RITES Ltd., RITES Bhawan, Plot No.1, Sector-29, Gurgaon – 122001, Haryana on or before 20.04.2017.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 15.03.2017
Last Date for Submission of Online Application : 09.04.2017
Last Date for Receipt of Hard Copy of Online Application : 20.04.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://rites.com/web/images/stories/uploadVacancy/Revised%20T&S%20engr%20ta%20cad%20contract%20ad[1].pdf
**Apply Online :** http://recruit.rites.com/frmRegistration.aspx